# মণিপুরী ফিল্মগী মায়কৈ অমদি খোঙথাং - ৪

*- নানি*



*মমাঙদা* মণিপুরী ফিল্ম অমদি হৌজিক ওইরিবা ফীভম কয়াশিংদা ব্রাফম কয়া থমজখ্রে। মখা তানা ফিল্ম আর্ট হায়বসিনা মীওইবা ঐখোয়গী ব্রাখল্লোন অসিগা নকশিন্নরিবা অমদি মসিনা লৌরিবা থৌদাংশিংগা লোয়ননা লিটরেচর হায়বসিগা ফিল্ম হায়বা অসিগা কয়ামুক মরী লৈনবগে হায়বা অসিগী মতাংদা ব্রাফম খরগা অমুক থমজরি।

ফিল্ম অমদি লিটরেচর হায়বা অনী অসি থাদোক্লবা শুংয়া য়াদে। অমা হেক ব্রাৎপদা ফজবা মপূম অমা ওইনা উবা ঙমদে। অনী অসি অসুক্কী মতিক মরী লৈনৈ। লিটরেচর য়াওদনা ফিল্ম অমা মপূং ফানা শেম্বা ঙমদে। ফিল্ম অমবু অয়েংশিংদা পূক্নিং য়ৌনা ব্রাখল থেংনা য়ৌহনবদা লিটরেচরগী থৌদাং অসি অসুক্কী মতিক চাউই। লিটরেচরগী মপান্না অফা মপূং ফাবা ফিল্ম অমা শেম্বদা মরুওইবা মচাক অমা ওইরি। ফিল্ম অমা উৎপগী পান্দমশিং অদু লিটরেচরগী মতেংনা মীয়ামদা পীবা ঙমগদৌরিবনি। খুন্নাই অমবু অফবা মায়কৈদা পুরক্লবা হোৎনবদা লিটরেচরনা লৌরিবা থৌদাং অদুমক ফিল্ম ওইনা শেম্বদা মদুগী মচাক ময়ামশিং অদু তাশিন-খোমজিন্দুনা ফিল্মদুগী শীংলি-নাওরিদা হেক চঙখিবদা অয়েংবশিংগী ব্রাখলদা ময়েক লানা উথোকপা ঙম্মী। লৈবাক খুন্নাইগী অপূনবগী মশক্তা কম্যুনেলিজম হায়বা অসিনা কয়া য়াম্না শোকহনবগে হায়বদু ফিল্মনা ময়েক লানা উৎলি। ফিল্ম অমগী পান্দমসু কম্যুনেলিজমগী মায়োক্তা লৈদুনা লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম অমা শাগৎপনি। ফিল্মদা ঐখোয়না তোঙানবা রিলিজন, সেক্স, কাষ্ট, সোসিও এন্দ ইকনমিক ষ্টেটস অসি পূন্না উৎলি মদু পূন্নমক অদু লিটরেচরনা কন্ত্রিব্যুট তৌরিবা ঙাক্তনি।

ফিল্ম অমা হায়বসি খুন্নাই অমগী হৌখ্রবা, ওইরিবা অনীমক্কী অশেংবা রিফ্লেক্সন অদুনি। খুন্নাই অসিনা ফিল্মদগী তমজনফম অমদি লমজিংনবগী চাউরবা ঈথিল অমা পীদুনা লাক্লি। ফিল্মদা উৎলিবা খুদিংমক খুন্নাইগী ব্রারীনি। অমরোমদা ইরিবা অমদি পুথোক্লিবশিংগী ব্রাখলদা শাগৎপা হায়নীংলিবা, ওৎহন্নীংবা শক্তম অদুগী মমি পরেংশিংনি। মমিং লৈরবা একাদেমি ওফ মোসন পিকচর আর্টস এন্দ সাইন্সেসকী প্রসিদেন্ট Tom Sherak না হায় - ***"Movies are a form of communicatin and that communication, those stories, come from societies - not just where society is presently and what it's doing now - but where society has been. It has been that way for as long as movies have been around".*** ব্রাফম অসিগা মরী লৈননা তুন্না য়েংবদা সোসাইটি অদুদা থোক্লিবা থৌদোক ব্রাথোকশিং, মীওইবগী নুংদা ফাওরিবা পুকচেল শেংদবগী অমদি অচাউরম কান্নবা মদুনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা মশক্তি উদনা থম্মোয়-থেম্মোয়দা খাগৎলক্লিবা শম্বল কয়াশিং অসিনা ঙসিদি তংদু-লৈতাবা ঙমদবা, নুংশিনদবগী মরী অমা শাগৎলিবনি। মসি লিটরেচরগী কাঙলোন্দা মচু-মমেন তানা ইমোসন, সজেসন, সোলুসন হাপ্তুনা পুথোরক্লি। মদু অমুক ফিল্মনা লৌরগা ফিল্মগী ওইবা দিভাইসশিং শীজিন্নদুনা ফিল্ম মেদিয়মদা পুথোরক্লি। মসিদা ইন্টরটেনমেন্ট, কম্যুনিকেসন, অমদি এদ্যুকেসনগী শরুক হাপ্তুনা আর্টকী এষ্ঠেটিক অমদা মীয়ামদা লাম্থোকপদা মীয়াম্না তরাম্না ওক্লরিবনি। অদুনা ফিল্ম হায়বা অসিমক্তি ইন্টরটেনমেন্টকী য়াম্না মরু ওইবা মচাক-মরল য়াম্না লৈ। মসিবু য়েংলুবা মতমদা ঐখোয়গী পূক্নিং ব্রাখলসি অনৌবা অইবা অমদি পুথোক্লিবা দিরেক্টর অদুগী ক্রিএটিভ ব্রর্ল্ড অদুদা চঙখি। মসিদা লায়রবা-ইনাক খুনবা, লাইরিক হৈবা-হৈতবা হায়বা অমত্তা থিদনা চপ মান্ননা নুংঙাইহনবা ঙম্মী। অমরোমদা ফিল্ম হায়বসি টিম ব্রর্কনি। মসিদা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ময়াম অমা লৈরি। খুদম ওইনা হায়রবদা, লাইটিং, মেক-অপ, ম্যুজিক, দান্স, লিটরেচর, টেক্নিকেল হেন্দস, এদিটিং হায়রিবা টিম ব্রর্ক অসিনা অপূনবা ওইনা মীয়ামদা অনৌবা মেসেজ অমা পীরিবনি। ফিল্ম অমনা ঐখোয়না খনবা ঙম্বগী ব্রাংমদা লৈবা কান্নরবা ব্রাখল্লোন কয়া ইরায় লায়না পীবা ঙম্মী। লোয়ননা ফিল্মদগী ঐখোয়দা অনৌবা থৌনা, লৌশিং, মীনুংশি অমদি পুকচেল লেপ্পা কয়া তম্বসু ঙম্মী। ফিল্মনা মীয়ামদা কান্নবা পীবগী মতিক নেগেটিভ ইম্পেক্ট অমসুং পীরি হায়বসিসু ঐখোয়না কাউফদে। হৌজিক্কী মতমদা ফিল্মদা কা হেন্না ফিজিকেল টোর্চর তৌবা, ভাইওলেন্ট ওইবা থিম অমদি সিনশিংনা নহা ওইরিবশিংগী পূক্নিংদা চঙখিদুনা ফিল্মগী এক্ত অদু চাংয়েং তৌনীংলকপা য়াওদবা নত্তে।

ফিল্ম অমা হায়রগা মরম চাবা চাদবা থিদনা মীয়াম্বু হেক্তা নুংঙাইহন্নবনি হায়দুনা সেন্টিমেন্টতা অমদি ইমোসন্দা পংনম নম্লোইদবনি। ফিল্ম অমা হায়বসি নেসন অমগী সোসাইটি, মীয়াম অদুগী অফবা মায়কৈরোমদা লাক্লবা, মীবু অফবা ব্রাখল খলহন্নবা অমদি চাওখৎপগী মায়কৈদা পুরক্লবগী অচৌবা পান্থে অমনি। আর্ট হায়বসিমক্তবু মীয়ামগীনি, অহিংবা খুন্নাই অদুগীনি, তুংলমচৎকীনি। অচুম্বা, অফবা, ফজবা হায়বা অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা আর্ট হায়বসি তৌনরিবনি। মপানগী ফিল্মগী মরমদা থোইনা নৈনরুদনা ঐখোয়গী হৌজিক পুথোক্লরক্লিবা ফিল্মশিং অসিগী মশক্তা চাউরাক্লা য়েংবা মীৎয়েং অমদা য়েংবা তারবদি - মণিপুরী ফিল্মনা মীয়ামদা অনৌবা অফবা ব্রাখল্লোন পীবা কয়া অমদি থেংনৈ। অদুমকপু ফিল্মগী মতিক ময়াই চেন্না মীয়ামদা এদ্যুকেসন পীবা ঙম্বদি মশীং য়াম্না লিক্লি হায়না লৌবা য়াই। অনৌবা ফিল্ম মেকর খরদি ঈীরম অসোমদা কন্না মায় ওনশিল্লি। অদুবু খরা অমদি মশা মশাগী অনীং-অনীংবা মায়কৈদা পংতৌদা তৌনবা মানবসু উরি। হৌজিক মণিপুরী ফিল্মদা মপানগী মতৌ তম্বা নত্তেদি হায়রগা মতৌ তম্বা মানবা কয়া অমদি থোরক্তবা নত্তে।

ফিল্ম অমগী মনুংদা নুংঙাইনবনি হায়দুনা ফূন-চৈনবদা কা হেনজিনবা, ওইথোকপা য়াবা মওংদা নত্তবা মোন্দ্রংদা শাগৎতুনা কিন্না অমুক থিনবদা মী পাইবা (সাউথ ফিল্মদা অমদি চাইনিজ ফিল্মদা তৌবগী মতৌগুম) উবা ফংলি। মসি নহাশিংগী মীৎ অমদি পূক্নিংদা হরাউনরবসু মদুনা ঐখোয়গী ফিল্মগী মশক অমা লেপ্পদি য়াগনি নীংদে। নাকল অমরোমদা ফিল্ম অদুদা য়াওরিবা মতৌ অদুগুম্না ব্রাখল লেপত্রিবা নহাশিংনা চাংয়েং তৌনীংলকপা, গাড়ী বাইক (মোটোর সাইকল) মক্তা থৌরসু ফিল্মগী মতৌ তমদুনা য়াম্না খুদোংথীনীংঙাই ওইবা খুৎথৌ মণিপুরগী লম্বীদা থৌবা উরে, মসিদা মীশি মীনা অমদি অশোয় অঙাম কয়া অমসু থোক্লবা লৈখ্রবনি। হায়রিবসি ফিল্মনা হেক্তা থোকহনবনিদি হায়বা য়াদে, অদুবু ঈথিল অদুদি নহাশিংদা ফিল্মনা পীবগুম থোকই হায়বসি থিজিনবশিংগী মায়কৈদগী থম্নরক্লি। ফিজেৎতসু অদুমঙাই, মেক-অপতসু অদুমঙাই, ঐখোয়গী লমদম অসিগী মীশিংগী লুক অসি মহৌশানা খরা তোঙাল্লি। অদুবু হৌজিক্তি মদুগী শক্তম অদু থাদোক্লগা কোয়না মায় পুময়োম য়োম্বা নহা কয়া অমা মণিপুরী ফিল্মদা উবা ফংলে। মসি মতৌ তম্বমক নৎত্রসু মানবা অমদি য়াওরি। মসিনা রিজনেল ফিল্মগী মশক অমা শাগৎপদা মতেং পীরিব্রা নৎত্রগা মীগী মওং মতৌদা ঐখোয় উংদুনা লৈরিব্রা হায়বা ব্রাহং অসি থোরকই। রোমান্স মক্তা ওইরবসু লমদম অসিগী নুংশি নুংওনগী ফজবা মশক অমা মথায় থায়নদগী চৎনদুনা লাকই। নুংশিরসু নুংশি হায়বা ঙমজদবা, থেংনরসু অতম্না হেক য়েংবা ঙম্নদবা, লুরুক্না য়েংবগী নুংশি মহাও ময়ূম ময়ূম য়ৌরগা হেন্না ময়েক হাপকৎপা, ফজখ্রবা মশকশিং অদুদগী নাম্থোক্তুনা বোল্লিব্রুদ অমদি সাউথ ফিল্মশিংদা নুপা-নুপী য়াম্না হকচিন্নরা উৎপা মতৌ অদু মণিপুরী ফিল্মদা য়াম্না মরাং কায়না য়াওরকপা ঐখোয় থেংনরে। মদু চুমদে নৎত্রগা ফজদে হায়বা য়াদে, ফজদুনবু তৌরিবনি, মীয়াম্নসু য়ারিবনি। অদুবু লমদমসিগী চৎনরোলদগীদি খরা তৈনরে হায়বগী ব্রানি। চীংয়াদা-তময়াদা চেন চোঙবা, লৈকোল মরক্তা হিপমিন্নবা, কোয়মিন্নবা নুংশি নুংওনগী ব্রারী মতৌ কয়ানা হৌরক্লিবা নহাশিংদা ওন্থোকপা ঈথিল অমা পীরে হায়বসিবু হেনজিন্না হায়বা তারিব্রা? অদুগুম্বা কয়াশিং অদুগী ব্রাখল ঈথিলশিং অদুনা লৈতাদ্রিবা ইনখৎলকপা নহাশিংদা চাউরবা পূক্নিং ঈথিল পীদুনা মতৌ তম্নরকপদগী পামদবা থৌওং কয়া তত্তনা থোরকপা ঐখোয়না উরি অমদি তাহৈদবা পাউকয়া তারি। মসিসু ফিল্মননি হায়বদি য়াদে, অদুবু মদুগুম্বগী ঈথিলদি পীখিব্রা হায়বগী চিংনবদি লৈতবা নত্তে। অদুনদি ফিল্ম অমা নম্বদা ঐখোয়না চেকশিনগদবসি কয়াদা য়ামখ্রবনো? অদুনদি, ফিল্ম য়েংলিবশিংগী ঙাইহাক্কী ওইবা নুংঙাইবা ঈথিল অমখক পীনবা মায়কৈদা ফিল্ম পুথোকপনা খুন্নাই অমদি মীয়ামদা তুংকোয়না করি করম্বা ঈথিল অমা পীবা ঙমগদগে হায়বা ব্রাখল্লোন অসি ফিল্ম পুথোকত্রিঙৈগী মমাঙদা য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনবা চঙই খল্লি।

*... মখা মথং নোংমাইজিংদা*



# কমদৌনা ওইরকখিবগে ?

## মায় পাকখ্রবা মীওইশিং...

### মার্ক এলিয়ট জক্করবর্গ

ঙসিগী মীরোলদা ফেসবুক খঙদবা মীওই ইরৈ লৈরমগদবা মান্দে। সোসল নেটব্রার্ক সিষ্টেম অসিবু হৌদোক্তুনা মালেমদা খ্বাইদগী নহা ওইনা শেঞ্জাও পায়বা মীশক অমা ওইবা ঙমখিবা মার্ক এলিয়ট জক্করবর্গ কুমজা ১৯৮৪ গী মে ১৪ দা ন্যুয়োর্কতা পোকখি। মচিন-মনাও মরিগী মনুংদা অনীশুবনি। মথক্তা মচে অমা অমসুং মখাদা মচল অনী লৈ। অপোকপা এদব্রার্দ জক্করবর্গ দেন্টিষ্টনি অদুগা অপোকপী করেন জক্করবর্গ সাইকিয়াট্রিষ্টনি।

পীশক পীক্লিঙৈদগী প্রোগ্রামিংদা থব্রায় য়াওরকখিবা মার্কনা মশাগী চহী ১০ শুরকপা মতমদা তোঙান-তোঙানবা প্রোগ্রামশিং শেমগৎপা 'প্রোগ্রাম্মর' হায়বা অমগা মদুবু শীজিন্নরিবা 'য়ুজর' হায়বা অমগা মীওই কাঙলুপ অনী শুই হায়বা ঙন্তানা খঙখি। মশাগী চহী ১২ শুরকপদা মহাক্না ময়ুম অমদি মপাগী দেন্টেল ওফিসতা লৈবা কম্প্যুটরমখৈ শন্নহল্লগা অমদগী অমদা পাউথাদোক-থাজিন তৌবা য়াবা 'মেসেঞ্জর' অমা শেমগৎখি। মদুগী মতেংদগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং পাউ ফাওদোক-ফাওজিন তৌবদা খুদোংচারম্মী। মদুগীসু মথক্তা অনৌবা পেসেন্ট অমা লায়েংবা লাকপদা রিসেপসনিষ্টনা ইরায় লায়না পাউ পীরকপা য়ারম্মী।

কুমজা ২০০২ দা গ্রেজুয়েসন লোইশিল্লবা মতুংদা মার্ক জক্করবর্গনা হার্বার্দ য়ুনিভর্সিটিদা তমখি। কুমজা ২০০৩ দা নোংমা মহাক্না হার্বার্দকী দোমিটরি রুমদা অহিং তুম্বা য়াদবদগী ব্রাখল মফাং-মফাং খন্দুনা লৈরিঙৈদা ইখঙ-খঙহৌদনা 'ফেসমাশ' কৌবা ব্রেবসাইট অমা শেমগৎপগী ব্রাখল ফাওরকখি। ব্রাখল অদুনা লমজিং ওইরগা 'ফেসমাশ' শেমগৎখিবনি। মদুগী মমাঙদা দিবিয়া নরেন্দ্র কৌবা হার্বার্দকী অতোপ্পা মহৈরোয় অমনা মঙোন্দা য়ুনিভর্সিটি মহৈরোয় খক্তগী ওইবা সোসল ব্রেবসাইট অমা শেমগৎপগী মতাংদা ব্রারী শারকপা লৈখি। মতাংদুদা 'হার্বার্দ কনেক্সন' (অকোনবদা কনেক্ট য়ু) কৌবা য়ুনিভর্সিটি মহৈরোয় খক্তগী ওইবা সোসল নেটব্রার্ক শেমগৎপগী ব্রাফম খন্নখিবনি। কুমজা ২০০৪ গী ফেব্রুব্রারি ৪ দা জক্করবর্গনা 'দ ফেসবুক দোট কোম' রেজিষ্টার তৌখি। মদুগী মতুংদা মহাক্না শেল পুথোকপীনবা মী থিবা হৌখি। সিলিকোন ভেলিদা মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্না খঙনরবা পিটর থিয়লনা ইহান হানবা ওইনা দোলর ৫০০,০০০ ফেসবুক প্রোজেক্টতা থাদরকখি। মদুগী মথংদা ফেসবুক শীজিন্নবা মীগী মশীং অসুম অসুম হেনগৎলকপদগী শেল থাদগে হায়বা মীওই কয়া থোরকখি। মতাং অমদা 'য়াহু' না দোলর মিলিয়ন ৯০০ পীদুনা 'ফেসবুক' কম্পেনি পুল্লপ ওইনা লৈরগে হায়রকপা লৈখি। ফনা য়াম্বা শেনফম ওইজরবসু মীৎয়েং শানবা জক্করবর্গনা মদুগুম্বা কয়া কয়া লায়না তানবা ঙমগনি খনবদগী ব্রাফম অদু য়াখিদে। অমরোমদা ফেসবুক শীজিন্নবা মীগী মীশিং তপ্পা তপ্পা হেনগৎলকপদগী কুমজা ২০০৭ তা বিল গেটসনা দোলর মিলিয়ন ২৪০ পুথোক্তুনা ফেসবুককী ইক্বিটি চাদা ১.৬ লৈখি। মতমদুদা ফেসবুক্কী অপুনবা ভেল্যু দোলর মিলিয়ন ১৫ য়ৌরকপগা লোয়ননা চহীদা দোলর মিলিয়ন ১.৫ হেন্না শেন্দোং তানবা ঙল্লম্মী। তুংগী পোরম খঙবা জক্করবর্গনা ইন্সটাগ্রাম, ওক্যুলম রিফ্ট অমদি হ্বাটসএপনচিংবা কম্পেনি কয়া লৈশিন্দুনা ফেসবুক্কী ফীবান্নুংদা চলহল্লম্মী।

কুমজা ২০১০ গী জন্যুব্রারি থাদা মশাগী চহী ২৬ শুবদা ঙাইরিবা মার্ক জক্করবর্গনা মালেমদা খ্বাইদগী নহা ওইনা বিলিয়ন্নের ওইখিবগা লোয়ননা টাইম মেগজিনগী পর্সন ওফ দ ইয়র ওইবা ঙমখি। মহাক হৌজিকস্বার ফুট ৫০০০ পাক চাউবা অমসুং দোলর মিলিয়ন ৭ পীবা ইংখোল অমদা লৈরি। ফোর্বস মেগজিননা মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীওই ৪০০ খনগৎপদা মহাক্ন ১১ শুবদা লৈরি।



HL-P/2589/30,1-17Jan.



HL-P/5901/16-31



HL-P/3157/17-25

HL-B/5028/25/11-20/1

